# মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী মনা লান্থোকপা

থম্মোয় পাউদম | ও সি মৈরা



খোরিরোল হায়বসি খুন্নাই অমগী শকয়েং মিংশেলনি। খুন্নাই অমা শেমগৎপা নৎত্রগা মাঙহনবদা খোরিরোলনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মরম অসিননি খোরিরোলগীদমক্তা হোৎনরিবা মীওইশিংদা অখন্নবা মনা কয়া পীরিবসি। মণিপুরগীসু লুপা লাখ ৩ গী খোরিরোলগী খ্বাইদগী চাউবা মনা লৈ। মসিগী মথক্তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা পীবা তোঙান তোঙানবা মখলগী এৱার্দশিংদা খোরিরোলগী মীওইশিংসু শরুক য়াহন্দুনা মনা পীরি। অদুবু পনবা য়াবা অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা কুমজা ২০১১ দগী পীবা হৌরকখিবা একাদেমী য়ং টেলেন্ট এৱার্দতা ঙসি ফাওবগী ওইনা খোরিরোলগী মরী লৈনবা নহা অমত্তদা এৱার্দ অসি পীদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা ইবগী লমদা চঙশিল্লক্লিবা নহা খরগী পূক্নিং লাংতক্লবা ফাওরম্লোই হায়না হায়নিংঙাইসু লৈতে। হায়রিবা মখলগী এৱার্দশিং অসি দান্স, ম্যুজিক, ঠিএটর, থাঙ-তা, ৱারী লীবা, ত্রাইবল কলচর, শুমাং লীলা, মাইম ঠিএটরগী আর্টিষ্টশিংদা পীখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ পীবা হৌরকখিবসি কুমজা ১৯৭২ দগীনি। চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মনা লান্থোকপগী থৌরম অদুনা কুমজা ২০১৩ গীনি। হায়রিবা চহী অসিগী মনা লান্থোকপা মতমদা একাদেমী য়ং টেলেন্ট এৱার্দ নহা অইবশিংনা ফংবা ঙমখিদ্রবসু মথংগী চহীদদি পীরকপা ওইসনু হায়না খোরিরোলগী মরী লৈনবা মীওই কয়ানা থাজবা থম্নরি।

খোরিরোলগী থবক তৌরিবা নহাশিং অসিদি শেন্থোক লৈজদে। মরুওইনা মশানা ইজবা লাইরিক অমা ফোঙবীনবা পল্লিসর লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা হিংলি। ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী, ইম্ফাল অমসুং এদ্যুকেসন (এস) না লাইরিক খরা লৈবীবা অসিনা মরম ওইরগা নহাশিংনা লাইরিক ফোঙবগী উপায় ওইদুনা লৈরি। করিগুম্বা মতমদা সাহিত্য একাদেমীনা শীনবা ৱারীমচা পান্নবা, শৈরেং শৈদিন্নবদা শেল খরা ফংবা নত্তনা মপুং ফাবা অতৈ অতোপ্পা শেল ফংফম লৈতে। করিগুম্বা মতমদা লূপ খরনা শৈরেং শৈদিন্নবা শরুক য়ারিবশিং অমসুং ৱারীমচা পাবদা শরুক য়ারিবা অইবশিংদা শেল খরা পীবা অদুনা অইবা শেন্থোক লৈরে হায়না লৌবা য়াদে। শৈরেং ইবা, ৱারীমচা ইবা, ঈশৈ ইবা নহাশিং য়োকখৎপা হায়বসি মরুওইবা অমা ওইনা লৌফম থোকই। মরমদি অতৈ আর্টশিংদা খোঙদারিবা নহাশিংদি শেন্থোক লৈবা শিনফম ঙাক্তনি। খুদম ওইনা ঈশৈ শকপা, ৱারী লীবা, লীলা য়াওবা পুম্নমক নহা ওইরবসু শেল থোকই। অদুগা নহা অইবশিংদি শেন্থোক মরাং কায়জদে হায়বসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা মথং চহীদদি নীংশিংবীগনি হায়না খল্লি।

### মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা খোরিরোলগী লমদা পীবা মনা ফংখ্রবা মীওইশিং

জি সি তোংব্রা (১৯৭২), এন বিরেন সিংহ (১৯৭৩), ৱাই ইবোমচা (১৯৭৪), এল সমরেন্দ্র সিংহ (১৯৭৫), আর কে সুরেন্দ্রজিৎ সিংহ (১৯৮০), এ সোমরেন্দ্র সিংহ (১৯৮২), এন ইবোবী সিংহ (১৯৮২), ঐচ গুনো সিংহ (১৯৮৩), এল ভিরাননি সিংহ (১৯৮৪), ডা. ই দিনমনি সিংহ (১৯৮৫), টি ঐচ ইবোপিশক সিংহ (১৯৮৬), ই সোনামনি সিংহ (১৯৮৭), এস নিলবির শাষ্ট্রি (১৯৮৮), এ চিত্রেশ্বর শর্ম্মা (১৯৮৯), আর কে মনি সিংহ (১৯৯০), টি থোইবী দেবী (১৯৯১-১৯৯২), এ বিরেন সিংহ (১৯৯৩-১৯৯৪), কে পদ্মকুমার সিংহ (১৯৯৫-১৯৯৬), কে প্রিয়োকুমার সিংহ (১৯৯৭-১৯৯৮), ডা. আই এস কাংজম (১৯৯৯-২০০০), এম নবকিশ্বর সিংহ (২০০৩), টি ঐচ ইবেমহল (মেমচৌবী) (২০০৪), এম বোরকন্যা (২০০৫), বি এম মাইস্নাম্বা (২০০৬), ডা. টি ঐচ ইবোহনবী সিংহ (২০০৭), ক্ষেত্রি বিরা (২০০৮), সী ঐচ মনিহার সিংহ (২০০৯), রতন থিয়াম (২০১০), প্রো. জোধা সি সনসম (২০১১), প্রো. পি নবচন্দ্র (২০১১), প্রো. টি ঐচ রতনকুমার (২০১১), ডা. এন তোম্বী (২০১২), ডা. মখোনমনি মোংশাবা (২০১২), ডা. সোইবম ইবোচা (২০১২), এল জয়চন্দ্র (২০১৩), ডা. এন বিদ্যাসাগর (২০১৩), অরিবম কুমার শর্ম্মা (২০১৩)

লৌশিং পুক্কে

# মালেমদা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপা

মালেমদা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা শীংনবা অমা পীরক্লি। উন শৌদোরকপা, পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপা অমদি পাক শন্না উমং কোকথোরকপনসু অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লি।

মমাঙ চহীদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লুচিংবশিংনা পেরিসতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ক্লাইমেট হোংলকপগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। লৈবাক খুদিংমক্কা মাগী মাগী ওইবা মওংদা কার্বোন-দাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং হন্থহন্দুনা গ্লোবেল ৱার্মিং হন্থহন্নবগী মতাংদা মীফম অদুনা য়ানবা পুরকখি।

অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা থোকহল্লক্লিবসি উন শৌদোরকপা অমসুং শাবগী চাং হেনগৎলকপখক নত্তে। চীঞ্জাক পুথোকপগী মতাংদসু চাউনা অকায়বা থোকহল্লত্তুনা কুমজা ২০৫০ গী অদুৱাইদা মীওই লাখ ৫০ হেন্না শিহল্লগনি হায়না থাজনরি। 'দ লেন্সেট' মেগজিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, গ্লোবেল ৱার্মিংনা চীঞ্জাক পুথোকপদা অকায়বা থোকহল্লত্তুনা শিগদৌরিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা শরুক মরি থোকপগী অহুমদি ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদা ওইগনি। মালেমদা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা মশিং পুথোকপগী চাং অঙকপা ফংনা হন্থরক্লগনি। মদুনা মরম ওইরদুনা মীওইবগী চাকচা-যুথক্তা অহোংবা কয়া থোকহল্লক্লগনি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী মার্কো স্প্রিং মেননা হায়খি, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরদুনা চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং হন্থরকপদগী ফুদ সিক্যুরিটিদা শীংনরকপগা লোয়ননা মীওইবগী হকশেলদা অচৌবা শাফু অমা পীরক্লগনি।

মীপুম খুদিং উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা মশিং চাবগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা শা-ঙা হেন্না চাবদগী হকশেলদা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মসিনা মরম ওইরদুনা থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক অমদি কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মীওই কয়া শিরগনি।

চীঞ্জাক পুথোকপগী মওং মতৌদা খজিক্তং ওইরবসু অহোংবা থোক্লকপনা হকশেলদা চাউনা শীংনরকপদগী ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনদা মীওই ২,৬৪,০০০ অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মীওই ১,৬৪,০০০ শিহল্লগনি হায়রি। খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং ফংগদবা চাইনাদা মীওই ২,৪৮,০০০ অমদি ইন্দিয়াদনা মীওই ১,৩৬,০০০ পর কেপিটাদা পারগনা গ্রীসতা মীওই লাখ ১ গী মনুংদা ১৩ অমসুং ইটলিদনা মীওই লাখ ১ গী মনুংদা ৯ চাবা থকপা ফংদবদগী শিরগনি হায়রি।

গ্লোবেল ৱার্মিংনা মালেমদা চীঞ্জাক পুথোকপগী মওং মতৌদা চাউনা অহোংবা থোকহল্লগনি হায়না পল্লদুনা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা মালেমগী লৈবাক ১৫৫ দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি। মীপুম খুদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং খরা লৌখৎপা তারবদি মীওই লাখ ১৯ লোমগী পুন্সি কনবা ঙমগনি।

অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ওফ মেলবোর্দনা পাঙথোকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি মালেমদা অঙৈং অশাগী খল কায়রক্লিবসি মীওইবনা অশোয়বা থৌশিল লৌখৎপদগীনি। মীওইবনা অশোয়বা থৌরাং লৌখৎলমদ্রবদি মালেমদা কা-হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্লরল্লোই হায়না পল্লদুনা ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা এন্দ্রিয়ু কিংনা হায়খি, মালেমদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা খ্বাইদগী শাখিবা চহীশিংদি কুমজা ১৯৩৭, ১৯৪০, ১৯৪২, ১৯৪৩, ১৯৪৪, ১৯৮০, ১৯৮১, ১৯৮৭, ১৯৮৮, ১৯৯০, ১৯৯৫, ১৯৯৭, ১৯৯৮, ২০১০, অমসুং কুমজা ২০১৪ নি।

রিছার্চরশিংনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা রিজন মঙা- সেন্ট্রেল ইংলেন্দ, সেন্ট্রেল য়ুরোপ, সেন্ট্রেল য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইষ্ট এসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াদা হোংলক্লিবা ক্লাইমেটকী মওং মতৌ য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি অমেরিকান জিওফিজিকেল য়ুনিয়নগী জর্নেল জিওফিজিকেল রিছার্চ লেটরসতা ফোঙলকখিবনি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মীওইবনা লৌখৎপা অশোয়বা থৌশিলদা অঙৈং অশাগী খল কায়হল্লকপদগী মালেমদা চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং হন্থরক্লগনি। মদুনা মরম ওইরদুনা কুমজা ২০৫০ দা মীওই লাখ ৫০ রোম চাকচা-য়ুথক্কা মরী লৈনবা লায়না কয়ানা নাবদগী শিরগনি।

গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরদুনা মালেমদা মনা মশিং অমুং উহৈ-ৱাহৈ পুথোকপগী চাং হন্থরক্লগনি হায়না পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৫৫ দা মীওইবনা মনা মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈ চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরগনি। মতৌ অসুম্না চাবা থকপগী মওংদা অহোংবা লাকপদগী থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক অমসুং কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লগনি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরদুনা কুমজা ২০৫০ দা চাইনাগী মীওই ২,৪৮,০০০ অমসুং ইন্দিয়াদনা মীওই ১,৩৬,০০০ শিহল্লগনি হায়না পানরি।



নেসনল থিয়েতর ফেস্তিবেল, ২০১৬

# লক্ষপতি রাজানে কথে না অয়েংবশিংবু কর্ণাটাকাদা পুরুরে


# অৱাং থংবা কর্ণাটাকাগী ফোক আর্ট মশক তাকপা কন্নড় লীলা

হুইয়েন ইন্দু






*ডা. বি জয়াশ্রী, দাইরেক্টর, অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা মাগী মপুবোক গুব্বি বিরন্ন'গী থিয়েটর কম্পনিদা য়াওদুনা এক্টর অমা ওইরকখি। কুমজা ১৯৭৩ দা নেসনেল স্কুল ওফ দ্রামা'গী গ্রেজুএট ওইরকখি। এক্টর অমা ওইনা মনুং অমসুং মপানগী লৈপাক কয়াদা কোয়রুরে। ইন্দিয়ানা নীংতমখিবগী চহী ৫০ শুবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা, ইদিনবর্গতা পাঙথোকপা থিয়েটর ৱার্কশোপ কয়া শীল্লুরে, স্বিদেন'দা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী কোরিওগ্রাফর ওইরুরে। সফদর হসমি এৱার্দ, সেন্ত্রেল সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দ, সন্দেস এৱার্দনচিংবা কয়ানা লৈতেংলবীনি। মহিসুর ওপন য়ুনিভর্সিটি'না ইকায়খুম্ন না ডোক্তরেট দিগ্রি পীখ্রে। কুমজা ২০১০ দা আর্ট এন্দ কলচরদা পীবা মহাক্কী খুদোলগীদমক য়েংদুনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরুরে। স্পন্দন'না পুথোকপা লীলা ৫০ হেনবদা মহাক মশামক কুমখরে অমদি দিরেক্সন পীখরে।*



নেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিবেল হায়বসি লৈপাক্তুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা থিয়েটর ফোর্ম কয়া অদুগী অসুপ্পা মশক অমা উৎথোকপনা মরু ওইবা পান্দমনি। ইম্ফালদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০১৬ অসিদা ঐখোয়না উবা ফংগদৌরিবসি থিয়েটর প্রদক্সন তরেৎখক্তনি। লীলা তরেৎ অসিনা ইন্দিয়ন থিয়েটরগী মশক লেপ্পবুদি ঙমগদবা নত্তে অদুবু ষ্টেট খরগীদি চাউরাকপা মশক অমা লেপ্পা ঙল্লে। তারিখ তরা ফাওবদা ঐখোয়না লীলা মঙা য়েংবা ফংখ্রে - ইম্ফাল, মুম্বই (মহারাষ্ট্র), যোধপুর (রাজস্থান), কোলকাটা (নোংচুপ বেঙ্গল) অমদি বেঙ্গলুরু (কর্ণাটাকা) দগী অমমম। পঞ্জাব অমদি মুম্বইদগী অতোপ্পা লীলা অনী অমগা ৱাৎলি।

ফেষ্টিবেল অসিগী মঙাশুবা লীলা 'লক্ষপতি রাজানে কথে' (লক্ষপতি নিংথৌগী ৱারী) বেঙ্গলোরগী মমিং লৈরবা লীলা কাঙলুপ 'স্পন্দন' গী আর্টিষ্ট কুনহুমদোইনা শান্নদুনা উৎখ্রে। ইন্টরভেলগী মিনিট তরা থারগা পুং অনী মিনিট তরেৎ চপ চানা কন্নড় লোন্দা শান্নখিবা লীলা অদু নোংপোক থংবা কর্ণাটাকাগী খুঙ্গংশিংগী মীশিংনা য়াম্না পান্নবা লীরবা ফোক আর্ট ফোর্ম 'কিন্নরি জোগরাতা' হায়বদুগী মওং মতৌ লৌরগা অরিবা মতমগী ৱারী অমা লীনবা হোৎনবনি। ঈশৈনা ৱারী লীবগী মরু ওইবা পান্থৈ ওইনা শীজিন্নৈ। অকনবা বোদি মুভমেন্ট অমদি অনৌবা মোর্দন থিয়েটরগী দিভাইসশিং শীজিন্নদুনা মশা খীংনা শান্নবা পার্ফোমেন্স অমা ওইহন্নবা হোৎনৈ। মচেৎ অমত্তং ফাওবা খণ্ডদ্রবা কন্নড় লোন অদু খণ্ডবগী অৱাবা, তন্থবা, নুংঙাইতবা করিমত্তা ফাওহনখিদে। লীলাসিগী দাইরেক্টর 'ডা. বি জয়াশ্রী' না হায়, 'কিন্নরি জোগরাতা' হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসিগী থোইদোকপা মতৌ অমদি মশাগী মশক করিমত্তা কায়হন্দনা অতোপ্পা আর্ট ফোর্ম কয়া অমসু অমত্তা ওইনা তিনশিনবা য়াবা অসিনি। মরমসিনা ওইবা তাই 'কিন্নরি জোগরাতা' হায়বা আর্ট অসি মমাঙদা ঐখোয়না অমুক্তা উখিদ্রিবা ওইরবসু, অতোপ্পা মোর্দন থিয়েটরগী ইলিমেন্ট কয়া য়ানশিন্নবা পার্ফোমেন্স ওইরবসু, আর্ট ফোর্ম অসিগী চাউরাকপা মশক অমা লাকশিনবা ঙল্লিবা। কলরফুল ওইবা ত্রেদিসনেল দ্রেস, থম্মোয়দা নুংঙাইবা ইথিল অমা পীবা ঈশৈ পরেং, অকনবা হকচাংগী শাওং-শাথেক - লোন খণ্ডবা মীওই কাঙলুপ অমা ফাওবা শুমদুনা থন্বা পার্ফোমেন্স, লমদমদুগী মীয়াম্নদি করম পাল্লল্লোই! য়েংনা য়েংনা খল্লকখি ঐখোয়গী অরিবা আর্ট ফোর্মশিং, মোংফমনুংদগী কোৎখৎ'ঙম্বা অঙম্বা লুচিংবা অমত্তং থোক্লক্লবদি ফনিদা! ৱারী হায়রা, মালেম পুম্বই মীয়াম্বু খোন্দুনা পুবা ঙমগদবা পৈদুনা লৈরি তাবুনুংদা। লুরিবা হায়ববু ইনাৎ-কলচর নুংশিবা, পুকচেল চাওবা লুচিংবা অমত্তা থোক্লক্তবা অসিনি।

'লক্ষপতি রাজানে কথে'গী ফুঙ্গা ৱারী তাবীয়ু। মথায় থায়না নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মাগী লমহেনবা মচা মরি লৈরম্মী। ঙাওনা ফৈনা লৈবা পাম্বা, চন্নদ্রবা মচা ঙাক্তনি। মখোয়দুগী খনবদা মথ্বাই ৱাজৈ নিংথৌদো। নোংমই নুমিৎ অমদি কুল্লবতি কৌবী নাইনুবী, নিংথেমনুবী অমনা ফোঙদোরক্লে অরোনবা ৱা। মাগী পীবুক্কুংদা নাউপুরিবা নাৱাদুগী মপাদি নিংথৌমক্লি হায়রকপদুদদি শাউখ্রে নিংথৌ মৈ হৌনা। কুল্লবতিবু তান্থোকখ্রেদো লৈপাক্তুগী ৱাংমদা। নাউপুখিবা নাৱাদুনা তাইবং শকচানরক্লবদা 'লক্ষপতি' হায়না মিংগৌনখরে। অশোমদনা কমদৌরি লমহেনবা নিংথেম মচা মরীদুগী মতৌদা শিব মহাদেবগী অশেংবা ভক্ত 'শিবজঙ্গমা মুনি'না শাপ তৌখি নিংথৌদা। মুনিগী শাপ'তগী লৈপাক ঈকং থোক্লেদো, প্রজা চরা হেল্লেদো। মীয়াম ৱাকৎ মায়োক্লরবদা শিবজঙ্গমা মুনিনা অমুক লাউথোক্লে - লাইগী শক্তি চেল্লবা মীত্রংগী মনি-মুক্তাদু থাবুম তরুক্কী মনুংদা পুরক্লবতদা লৈপাক্তুদা নোং চুগনি। মচা মরী অদুনা মনি থিবা চৎখরে। সনা কোনুংদা লক্ষপতি লাক্তুনা মশাগী অশেংবা শক্তম শক্তাল্লরে। মানা নিংথৌগী সনা ঈ অশেংবমক্তা ওইরবা মুক্তা অদু পুরকউ, তাকপীরেদো নিংথৌনা। লাইরেম্বী অমনা পায়রিবা মনি অদু পুদুনা হল্লকপদা লক্ষপতি, মচীন মনাও মরিনা হাত্তোল্লগা মুনখরে মুক্তাদো।

মতুং তারকপদদি লাইরেম্বীদুনা শক্তি ইমাগী মপান্দগী লক্ষপতিবু হিঙ্গৎহল্লে, সনা কোনুংদা হল্লক্লে। পেল্লদুনা নিংথৌনা মাবু নিংথৌ হাপখরে, লাইরেম্বীনা ওল্লকপা নুপীদুনা রানী ওই', নুংঙাই য়াইফনা পানখরে।

ৱারী অসি, ঈশৈ নোংমাইগী মতেংনা, মীয়াম্বু নুংঙাইবা মুদ অমদা থল্লগা, লোনগী পল লাল্লগা অয়েংবশিংদা মায় পাক্কা লীবা ঙম্মি। চাং অমদা চপ মান্নবা ফরবা আর্টিষ্ট কুনহুমদোইনা শান্নবা লীলাসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি অহল ওইরিবী (চহী ৬৫) দাইরেক্টর মশামক থোক্তুনা ইনর্জেটিক ওইনা (চোকথবা নাইদনা) ঈশৈ শক্তুনা, যন্ত্র পায়দুনা হৌবদগী লোইবফাও' ফম্বাক্তগী থোক্তনা পার্ফোমেন্স পীখিবা অদুনি।

***স্পন্দন*** - লীলা কাঙলুপ অসি কুমজা ১৯৭৬ তা লিংখৎখি, মণিপুরগী কোরস রিপর্টরি থিয়েটরগা থংমুন নাউমুনমিন্নবনি। কর্ণাটকা ষ্টেটকী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা থিয়েটর গ্রুপ অমনি। 'লক্ষপতি রাজানে কথে' - হায়রিবা লীলা অসি গ্রুপ অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা লীলাশিংগী মরক্তা অমনি। ইন্দিয়াগী অমদি মীরমগী মফম কয়াদা মায় পাক্কা উৎলুরে। মমিং লৈবা অতোপ্পা লীলা খরদি করিময়ি, অগ্নিপথ, সিরি সম্পিগে, উরিয়া উয়য়াথে, চিত্রপট, ঘাসিরাম কোতৱাল, স্মসানা কুরুক্ষেত্র, গিরিজা কল্যান, সদারমে অমদি খ্বাইদগী নৌবা 'বালুরা গুড়িকারা' পনবা য়াই। স্পন্দন গ্রুপ অসিনা তৌখিবা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবা থবক্তি কর্ণাটাকাগী অরিবা আর্ট ফোর্ম কয়াগী মরমদা থিজিনবা, দোক্যুমেন্টসন তৌবা অমদি চাংয়েং তৌবা অসিনি।





## লীলাগী মীকোকশিং

*যোগী ১, ২, ৩, ৪* - রমেশ পন্দিত, রমেশ সালাগুন্দি, লোকেশ আচর, সুব্রমন্য এস; *যোগী ৫, দঙ্গুরা* - অনিল অইয়র, *যোগী ৬, ৭* - রোহিনি বি আর; *ধর্ম্মসেখর নিংথৌ* - প্রকাস এম; *মন্ত্রিশিং* - গুরুমুর্ত্তি, শ্রিনিবাস কে এস; *কুলবতি* - জয়া লিগোরি; *সিব জঙ্গামা* - রামকৃষ্ণ কন্নরপদি, *লক্ষপতি* - রঘুরন্দন রমন্ন; *সুর্যসিংগ্যা, মরি কুদুরে* - অরবিন্দ কে; *চন্দ্রসিংগ্যা* - সন্দিপ; *মুতিসিংগ্যা* - গোথম; *লালসিংগ্যা* - কিরন; *সেত্তি সহুকর* - পন্দিত; *সুর্যগিরি বাৱা* - সন্দিপ; *লালাবতি* - রুদ্রানি; *সামভবি* - শ্রীয় পন্দিত,

*মেকঅপ* - রামকৃষ্ণ বেলতুর; *লাইটিং* - আনন্দ রাজু কে; *ৱারীগী মচাক খোমজিনবা* - মুদ্দেনুরা সঙ্গনা; *লীলা ইথোকপা* - প্রো: এম এস নগরাজ; *ম্যুজিক* - হান্ন লৈজরম্বা ফোক ফোর্ম অদুমক; *দিরেক্সন* - ডা. বি: জয়াশ্রী।



HL-P/7843/11,12,13,14,15,16,17 Mar.